**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা মীফমনা মণিপুরদা ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং সিষ্টেম চাওখৎহন্দুনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) বোর্দ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষাগী সেন্তরশিং লাউথোক্লে।

৩) রাজ্যগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দিরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়রি- দিল্লিদা চথরিবা নেসনেল হেন্দলুম এক্সপোদা মণিপুরগী ষ্টোলশিংনা লুপা কোতি ১ লাখ ৬০ হেনবগী পোৎ য়োনবা ঙম্লে।

৪) এক্সাইজ বিভাগনা লুপা লাখ ৮৪ হেনবগী য়ু লিটর লিশিং ২২,৩৪৪ ঙসি লমফেলপাৎতা থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক্কী চাউরবা দাইত্ব লৈ।

**------**

সিএম (এল)ঃ রাজ্য অসিগী ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং সিষ্টেম চাওখৎহন্দুনা রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সভাপতি ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটকী কেবিনেট হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা শ্রী খেমচান্দনা চীংগী জিলাশিংদা লৌউ শিংউ য়াওনা অতৈ মনা মশিংগী পোৎলমশিং থাবা হেনগৎহন্নবা মরী লৈনবশিংদা পাউতাক পীখি। মীফম অদুনা রাজ্য অসিগী লৌউ শিংউ অমসুং হোর্তিকলচরগী পোত্থোকশিং মপানদা থাদোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈরিবা অদুগী মতাংদসু কুপা খন্নখি। মাফম অসি লৌউ শিংউ অমসুং হোর্তিকলচরগী লমদা ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং প্রাক্তিস শিজিন্নদুনা রাজ্য অসিগী শেন্থোক লন্বী করমা হেনগৎহনবা য়াগদগে হায়বদুগী মতাংদা পাঙথোকপনি। মুখ্য মন্ত্রিগী পাউতাক অসিনা রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনরিবা অদুদা শোইদনমক্কী মতেং ওইরগনি।

মীফম অদুদা চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি ভিভেক কুমার দিৱাংগল, মুখ্য মন্ত্রিগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমার, দাইরেক্তর হোর্তিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন কে. দেবদত্ত শর্ম্ম অমসুং এগ্রিকলচরগী দাইরেক্তর পিটর শলামনচিংবা য়াওখি।

একজাম (এল)ঃ বোর্দ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষা হায়রগসু খঙনবা ক্লাস টেন পরিক্ষাগী সেন্তরশিং লাউথোক্লে।

কন্ত্রোল্লর ওফ একজামিনেসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়- বোর্দকী ৱেব সাইট ঐচ.এস.এল.সি পোর্তেল দোট বোসেম দোট ইনদগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি। থা অসিগী ২৩ দগী মার্চ ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসিদা কনাগুম্বা মহৈরোইশিংনা নত্তবা পান্থে শিজিন্নবা থেংনরবদি মহৈরোই অদু মণিপুর প্রিভেন্সন ওফ মালপ্রাক্তিসেস ইন হাইস্কুল লিভিং সার্তিফিকেট এন্দ হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন এক্ট ২০২৪ গী মতুংইন্না চপ চাবা থবক লৌখৎকনি। কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষা অসিদা মহৈরোই লিশিং ৩৬ হেনবনা পুন্না পরিক্ষা সেন্তর ১৫২ রোমদা পরিক্ষা থাগনি।

কলচর (এল)ঃ লৈবাক্কী ওইবা ইরাং অমদি শেল থুমগী খুদোংচাদবনা মরম ওইরগা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ওফ কলচরদা হাংদোকপা ঙমদনা লাকখিবা সনামহি লাইনিংগী ষ্টদি সেন্তর অথুবা মতমদা হাংদোক্লগনি হায়না য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার পাউনম গুনিন্দ্রোনা ফোংদোকখ্রে।

ৰাফম অসি হয়িং খোংবাল উফোং য়ুস্ফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা চথরকখিবা মীতৈ পুং, ঈশৈগী শিন্তাক শিন্দম্বগী ওইবা থা ৬ কী সার্তিফিকেট কোর্স লোইশিনবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি।

পনবা য়াই, কোর্স অসিদা নুপা শৈশক ১০, নুপী শৈশকপী ৩২ রোমা শরুক য়াখি।

দেন্টেল (এল)ঃ ২৫ শুবা মণিপুর ষ্টেট দেন্টেল কনফরেন্স অমসুং ৩৫ শুবা চহিগী মীফম ঙসি লমফেলদা লৈবা ইমা হোলদা পাঙথোক্লি। থৌরম অসিদা লোক সভা সদস্য ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজম শরুক য়াখি। থৌরম অসিদা ২০২৪-২৫ গী মেরিটোরিয়স ষ্টুদেন্টস এৱার্দ অমসুং লিটররি এৱার্দসু য়েন্থোকখি। তুংদা সংস্কৃতিগী ওইবা থৌরমশিংসু পাঙথোকখি।

পাঙ্গৈ (এল)ঃ স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈ খুলবু খ্বাইদগী লু-নানবা খুল অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা ঙসি পাঙ্গৈ বজারদা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

লম-তু শেংবগী থৌরম অদু মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজ পাঙ্গৈনা, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্ট, ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়ট, খুন্দ্রাকপম গ্রাম পঞ্চায়ট, থৌগৈ পাঙ্গৈ বজার বোর্দ কমিতি, ৱিমেন ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন পাঙ্গৈ, পাঙ্গৈগী ক্লব অমসুং গুরখা য়ুথ ক্লব পাঙ্গৈ নেপালিগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা মণিপুর পুলিস ত্রেনিং কলেজগী ওফিসারশিং, পার্সোনেলশিং অমসুং রিক্রুটশিং, শওম্বুংগী বি.দি.ও অমসুং মফম অদুগী লোকেল বোদিশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

হেন্দলুম (এল)ঃ রাজ্যগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলগী দিরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়রি- দিল্লিদা হৌজিক চথুরিবা নেসনেল হেন্দলুম এক্সপোদা মণিপুরগী ষ্টোলশিংনা লুপা কোতি ১ লাখ ৬০ হেনবগী পোৎ য়োনবা ঙল্লে। মসিনা তাকপদি মপান লৈবাকশিং য়াওনা মণিপুর ৱাংমগী মীওই কয়ানা লমদম অসিগী খুৎ-শা হৈবগী পোত্থোকশিং পামরি হায়বদুগী চপ চাবা খুদমনি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্নবা উন্নবা অমদা শ্রী জিতেন্না হায়- এক্সপো অসি নিউ দিল্লিগী গনপথতা জনুৱারি ২৫ দগী ঙসি ফাওবা চথুগদবনি। এক্সপো অসিদা পুন্না ষ্টোল ৮০ হেন্না হাংদুনা মণিপুরগী খুৎ-শা হৈবগী পোত্থোকশিং উৎতুনা মপান লৈবাকশিংগী বায়রশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনবনি। শ্রী জিতেন্না মপান লৈবাকশিংগী বায়রশিংগীদমক্তা ওইনা নিউ দিল্লিদা নোংইন উৎসব চথুরি। থা অহুম চথুগদবা উৎসব অসি মমাং থাগী ২১ দগা হৌখিবনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি- লমদম অসিগী খুৎ-শা হৈবশিংনা পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং মপানগী কৈথেলদা মতিক চানা থাদোকপা ঙমবগীদমক্তনি। মফম অসিদা লমদম অসিগী মহৌশাদগী চৎনরক্লবা পোৎলম কয়া উৎলি। শ্রী জিতেন্না হায়- হন্দক্তা সংসদতা পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেৎ অদুদা টেক্সতাইলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা য়াবা স্কিম মঙা লাউথোকখি। স্কিম অসিনা মণিপুরগী ওইনসু কান্নবা কয়া ফংগনি। মসিগী মনুংদা টেক্সতাইল পার্ক লিংবা অমসুং মহাত্মা গান্ধি গ্রামিন স্বারাজগী মখাদা খাদি অমদি হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফকী পোত্থোকশিং হেন্না পুথোক্তুনা মপান লমদা থাদোকবগী খুদোংচাবা পীগদৌরি। মহাকা হায়- মতমগী মতুংইন্না লমদম অসিগী ফিশাবীশিংনা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ফিশা লোনশাগী থবকশিংদা টেকোলোজি শিজিন্নবগী তঙাইফদবসু লাক্লে। অদুমওইনমক, মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ফিশা-লোনা অমদি খুৎ-শা হৈবগী মওং মতৌ অদু কায়হন্দনা থম্বগী তঙাইফদবসু লৈ।

য়ু (এল)ঃ লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা এক্সাইজ হেদক্বাটরগী মাল খানাদা এক্সাইজনা ফাগৎতুনা থম্লম্বা য়ুশিং ঙসি থুগাইদুনা মাংহনখ্রে।

কম্মিসনার এক্সাইজগী চেরোল অমনা হায়- মমাং চহিগী ওক্তোবর ৩০ দগী চহি অসিগী জনুৱারি ৩১ ফাওবগী মনুংদা ফাগৎলকখিবা য়ুশিং অদু ঙসি থুগাইদুনা

মাংহনখিবনি। ঙসি মাংহনখিবা য়ুশিং অদু পুন্না লিটর লিশিং ২২,৩৪৪ রোমনি। মসিগী অপুনবা শেনফমনা লুপা লাখ ৮৪ হেনবগী পোৎলমশিংনি। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা- ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর, বিয়ার, ৱাইন অমসুং দি.আই.সিনচিংবা য়াওরি। মণিপুর লিকর প্রোহিবিসন এক্ট ১৯৯১ গী সেক্সন ৬৯ গী মখাদা ঙসি অয়ুক পোৎলমশিং অদু মাং তাকহনখিবনি।

ককচিং (এল)ঃ ককচিং জিলাদা লৈবা এ.দি.এল ইংলিস স্কুল ৱাবগাই লমখায়দা ঙসি প্রোহিবিসন ওফ চাইল্ড মেরিএজ এক্ট ২০০৬ অমসুং চাইল্ড রাইট এন্দ পোক্সো এক্ট ২০১২ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিতি থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা শিনবনি।

নোনে (এল)ঃ ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসতা নৌনা চংলকখ্রবা মীওই কয়া ওকপগী থৌরম অমা নোনে জিলাগী পুইলুৱান খুলদা পাঙথোকখ্রে। নৌনা দল অসিদা য়াওরকখ্রবা মীওইশিং অদু কন্বিরোল খুলগী বি.জে.পি লুচিংবা অমদি কর্ম্মিশিংনি।

চান্দেল (এল)ঃ নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস, নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমদি শিজ আই কেয়ার ফাউন্দেসন অমসুং নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেলনা পুন্না শিন্দুনা লেমা আই স্ক্রিনিং অমদি কেটরেক্ত সরজরি কেম্প অমা জাফৌ বজার চান্দেলদা লৈবা কনখু ৱিমেন্স মার্কেটতা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী কেম্প অদুদা রেতিনা অমদি দাইবেতিসনা মরম ওইদুনা থোকহনবা মীৎকী অনাবশিং য়েংখি।

তদুবী (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার সেনাপতিনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ফোর্তিনাইন তদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোংবগী নুমিৎ থা অসিগী ৯ নি। ক্লেম অমসুং ওবজেক্সন্না থা অসিগী ৯ দগী থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা তৌবা য়াগনি। ইলেক্তোরেল রোলগী ফাইনেল পাব্লিকেসন মার্চ তাং ১০ দা ফোংগনি।

লম্বী (এল)ঃ শঙাইথেল টু তেরা য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না পাৎশোই লমখায়দগী শঙাইথেল ফাওবগী লম্বী অসি শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা রেলৱে কন্সট্রক্সনগী পোৎ চৈশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা গাড়িশিং চৎপদা খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা লুপ অসিগী এদভাইজরনা হায়- কিলোমিতর ৯ হেন্না শাংবা লম্বী অসি মরুওইবা লম্বী অমসু ওইরিবনি। লম্বী অসিদা তোঙান তোঙানবা মখল মখা কয়াগী গাড়িশিংসু চেল্লি। লম্বী অসি মেজর দিষ্ট্রিক্ট রোড ওনখিবসু কুইদ্রি, মরী লৈনবশিংনা লম্বী অসি লাইট ভেহিকলশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা খক্তগী শেমখিবা লম্বীনি। অদুবু রেলৱে কন্সত্রক্সনগী পোৎ চৈশিং পুবা হেভি ভেহিকলশিং চৎপদগী লম্বীগী ফিভম শোক্লে। মতম কয়াগী মমাংদগী লম্বী অসি শেমজিনবীনবা মরী লৈনবশিংদা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুমওইনমক লম্বী অসি মরী লৈনবশিংনা শেমজিনবগী থবক উদবদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং অসি চংশিল্লকপনি। অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমজিনবীদুনা চৎথোক চৎশিনদা অপনবা লৈতনবা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরি।

জিতেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি, আর্থ সাইন্সেস মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- ইং ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইনবা হোৎনবদা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিদা নত্তনা মীয়াম অমসুং সরকারগী মরক্তা অচেৎপা মপাং ওইবগী তঙাইফদবসু লৈ।

মন্ত্রিনা হায়- মতম অমদা ভারত অসি মালেমগী মতেং নিংবা লৈবাক অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্তি মালেমগী লৈবাকশিংনা য়েংনরকপা লৈবাক অমা ওইরক্লি। মহাকা হায়- লমদম অসিগী মচাক মথুম, রিছার্স অমসুং ইনোভেসন পুকিং থৌগৎতুনা ভারতপু মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

ডাঃ জিতেন্দ্রনা হায়- ভারত অসি হৌজিক্তি মেদিকেল রিছার্স, বাইও টেকোলোজি অমসুং স্পেস সাইন্সকী লমদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরক্লি। মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, শিক্ষা অমসুং হকশেলগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলক্লি।

মোদি ঃ নুমিৎ নিনিগী মালেসিয়া খোঙচৎতা ঙসি লৈবাক অদুদা থুংখিবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু মফম অদুগী মীয়ামা তরামা ওকখি।

কোলা-লম্পুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ভারত মচাশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী মোদিনা হায়- ভারত অমসুং মালেসিয়াগী মরক্তা মী অমগা মী অমগগী মরক্তা অচেৎপা মরী লৈনৈ। ইন্দিয়ান দাইসপোরা অসিনা লৈবাক অনিবু শমহনবগী অহিংবা থোং ওইরি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী আই.টি কম্পনি ১০০ হেন্না মালেসিয়াদা চলাইরি। মসিনা মীওই লিশিং কয়া থবক পীরি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী দিজিতেল পেমেন্ট প্লেটফোর্ম (য়ু.পি.আই) মালেসিয়াদা অথুবা মতমদা হৌদোক্লগনি। প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ মনুংদা লৈবাক অনিগী মরী নৌহৌননা য়েংশিনবগা লোয়ননা ৱাফম কয়া সহি তৌনরবা য়াই।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ খাঙেন্বম জেমসতগী--

ক্রিকেট ঃ ভারত অমসুং শ্রীলঙ্কানা য়ুম্বু ওইদুনা আই.সি.সি. মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙসি শ্রীলঙ্কাদা শান্নখিবা মেটচ অমদা পাকিস্তান্না নিদরলেন্দসপু ৱিকেট ৩ দা থোইখি।

কোলকাতাগী ইদেন গার্দেনদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱেষ্ট ইন্দিজনা স্কোটলেন্দবু রন ৩৫ দা থোইখি। হৌজিক মুম্বাইগী ৱাখরে ষ্টেদিয়মদা ভারত অমসুং য়ুনাইতেদ ষ্টেটস শান্নরি।

ফুটবোলঃ চহি ১৯ মখাগী নুপী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কাংলুপ রোড য়ং ফিজিকেল স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা- য়ুনাইতেদ পুখাউ স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ অমোফা মোইরাংনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা ১৬ শুবা লোক্তাক ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা উৎলৌ এফ.সিনা আর.এফ.সি.সি কৈনৌবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেসন, য়াইরিপোকনা শিনদুনা অনিশুবা য়াইরিপোক ত্রোফি মনিপুর ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সি.পি.সি নিংথৌনাইনা বি.ৱাই.এফ.ৱাই-বিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কামো এফ.সি অমসুং ৱাই.ৱাই.এল ৱাংখেম পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল ঃ এল.এম.এল.সি.সি. লাংমৈদোংনা শিনদুনা চথরিবা তরুকশুবা ভিলেজ লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- টি.য়ু.এল. থোংজাউনা ৱাই.জি.সি লাংমৈদোংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা দব্লিউ.এফ.সি ৱাইখোংনা এম.পি.এ-এ থৌনাউজমবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

স্কুল ঃ দাইরেক্তোরেট ওফ ইজ্‌কেসন (স্কুল)না শিন্দুনা পাঙথোক্কদবা ষ্টেট লেবেল স্কুলস স্পোর্টস মিট ২০২৬ হয়েং খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী মেইন ষ্টেদিয়মদা হৌদোক্লগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগদবা মহৈরোইশিংনা মার্চ পাস চৎপা অমদি ৱাশক লৌবগী থৌরমসু পাঙথোক্কনি।

------